> “মীওইবৈ পুন্সি মমল নাইদবনি মালেম তাইবঙ অশেংবনি ’সিতবু ফংনবা, কোয়রিবনি নোংখোঙ তরেৎলক হন্না।”- এলাংবম সোনামনি (ঐগী ৱাকৎ)

# শৈরেং

## কাইননীংদনা কাইনদৌরবশিংগী মরক্তা

**—কে কে থোকচোম**

লাপ্না চৎখিবদি
হল্লকখিবসু য়াই নোংমদি
অদুবু,
থৱায় নঙনা চৎখিবদি
হল্লক্লরোই অমুক
থাদোল্লমগনি হকচাং পোলাং
থৱায় নঙবু কুপশিল্লিবা কুয়োম...
অমরোমদা,
নঙসু নোংমদি চৎখিনি
ঐগী থৱায়গুম খল্লন্বী নঙ
নঙগী হকচাং পোলাংগুল্লবা
ঐবু থাদোক্তুনা...
পুন্সিসিদা, মপোকসিদা
কাইননীংদনা কাইনদৌরবশিংগী মরক্তা
নহাকসু অমনি
থিংবা ঙল্লরোইদবা ঈচেলনা পুখ্রগদবা
মতমদুদা,
ঐনা থাঙ্গৎলোই বিদাইগী খূৎ
পিরাং মরীক অমত্তসু
তৈথোক্লোই ইখূৎসিনা
মনীংতমহনগনি পূম্নমক
থৱায়, পিরাং অমসুং নঙ...
খূৎ থেক্তুনা পাশিল্লুবদা
য়াওরবনি নহাক
কাইননীংদনা কাইনদৌরবশিংগী মরক্তা...

## লোক্তাক

**—অঙোম ইবোমচা**

মাঙদা ঙাল্লি-সি লোক্তাকনি-লোক্তাক
লাইজনা মিংশেনগুম ঈরং-লঙ
খিল্লি মণিগুম চীংদুম মচা-মচা
থাঙ্গ কারাংগী ঈথৎশিং
মাঙদা ঙাল্লিসি লোক্তাকনি-লোক্তাক।
  কংলৈ মোইরাং লৈবাক্কী
  কংলৈ লিলাগীসু হৌরকফম
  লায়র-লমজা খন্বগী
  অরাম-খৌরাংবু কোক্নফম
  লাইজ ঈশিংবু ইনবীদুনা
  খোল্লাংশক্লা মচেমনা
  মাঙদা ঙাল্লিসি লোক্তাকনি-লোক্তাক।
মনীং তম্নবু শান্নফম
তাইবঙ লেমলৈ ঙাগীদি
মচা ইবেম্মা থোইবীনা
ইঞ্জিং শিন্দম্নদুনা
লেমলৈ ঙাবু ফানফম
মতা সেনুগা লোয়ননা
মাঙদা ঙাল্লিসি লোক্তাকনি-লোক্তাক।
  শান্নরি নুংঙাইনা ‘কেকু লোৎপী’
  ঙানু থঙ্গোঙনচিংবা চেক্লা কয়া-কয়া
  অমুক-লুপ, অমুক-তাও
  কোইয়েং-কোইয়েং য়েংননা
  লোক্তাক মাগী ঈয়াইদা
  মাঙদা ঙাল্লিসি লোক্তাকনি-লোক্তাক।
নত্তেনে মসিনসু অরোইবা
শান্নফমনি চেন-চোংদুনা নুংঙাইনা
শকহেল্লবী সঙাইশিংনা হরাও-তয়াম
অশংবা নাপি-শিংবীগী মরক্তা
লোক্তাক মাগী মশাইগোন
মাঙদা ঙাল্লিসি লোক্তাকনি-লোক্তাক।
  চায়োক-নাওয়োক ফজবী
  অখাঙ কনবী পুকচেল তপ্পী
  তুখোঙ তুরেলশিংগী তুংনফম ওইরিবী
  অথোইবা চরী চাবুক্লি জিবশিংগী
  মাঙদা ঙাল্লিসি লোক্তাকনি-লোক্তাক
  মাঙদা ঙাল্লিসি লোক্তাকনি-লোক্তাক।

## অকাউ পরৈ চল্লনু

**—এম নিলকুমারি**

ফক্লাংগী চুম্না খোংলি কেক-কেক
ঐবু হৌদোক্লি তূম্বদগী
খূৎকী কলম পায়খৎলু
ৱাখলগী পরিং ফোঙদোক্লো;
চৎচবা ফংনবা
নহাক্কী সাহিত্যগী শৈদিন্নফমগী লৈকোলদা:
থেংনগনি মখল মথেল
নহাক্কী থম্মোয়বু য়াকাইনবা
য়াকাইহনগী মখল মথেল কয়াদুনা
নুংশুক্লরম্বা নহাকসে
শাৎলমগনি অঙাংবা গুলাবকী লৈরাংশিং
শাৎলমগনি চীংয়াগী মরী চৎপী লৈনম চেন্দবী
অঙৌবা কুন্দো
নোক্লমগনি মখোয় মশেল
নীংতম্বা ফংবগী,
হৌগৎলো খূৎকী কলম্না ইশিলহৌরো
অঙৌবা চেবাংগী
মনুংগী লমায়দা
পুন্সিদি ইগদবনি য়েক্কদবনি।
শাগল তুফাং খপ্না পাইরিবা
অৱাংবা নোংমদোল থক্কী
চেক্লা-চাগুম
অকাউ পরৈ চল্লনু।

## ঈয়াই অদুদা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

লম্ফেলপাৎকী
ঈশিংনা মপুক থন্না
লৈরিঙৈ, লম-লক্কী
পোম্বী চেক্লা, থরো
থারিকথাশিংগী মরক্তা
চিন্দা পুবা ঈশৈ শক্লদুনা
মরুপ ষণজেনলোয়শিং
অদুগা লোয়ননা।
পুন্সি শিন্থা পাঙথোক্লি
হরাও মথোয় কানা
হুমাংনা জর জর শিন্থরি
অৱা অনা কয়া কাউথোক্লি
নোক্লা-নোক্লা থম্মোয়গী
অরোন অথুপ য়াওদনা।
মরুপ ষণজেনলোয়শিং
অদুগা লোয়ননা
পুন্সি শিন্থা পাঙথোক্লি,
চেক্লাশিংগী নুংশিরবা
খোঞ্জেল-লক্তা অৱা-অনা
পূম্বা কাউথোক্লদুনা।

## কনাগী মরালনো

**—আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

শারবা কালেনগী মৈশাদা
ঈংলবা মালংবগী নুংশিৎনা
অৱা পোখা ওইরম্বা
ওইরেনে ঙসিদি লৈকংলাগী লমদম অমা,
চীংনুংগী লাইজ ঈচেলসু কংখ্রে
অসুকপা উমংসু মাঙখ্রে
মরূকোক্লবা উমংনবু
করি খুদোলবু তমগদৌরিবা,
ওইহল্লবনিদো পৈশাখক্তগী খনবা
হে মীওই খুজোক নখোয়না,
ঙসিদি নোই পেল্লব্রা?
ওইরক্লিবা ফীভমসে
নোইগী নরাল য়াওদে করম্নবু হায়সিগে,
শাওরবনি মহৌশা কৌবী লাইরেম্বীনা,
নোইখক নুংঙাইনবা খনবনা
ওইহল্লে মরাল লৈজদবা মীপূম খুদিংবু
কালেনগী মৈশানা চাকথেক্তুনা
শিহল্লগে থৌরাংলব্রা?

## খোংজোম নুমিৎনা লাকপদা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

পোইরৈ লমদম লমনুংশি
মণিপুর কৌবী ইমাগী
মপারী মমোম নুংশিবশা
লাক্লো, লাক্লো থোক্লক্লো,
খূৎশম্লনা চৎলুসি লাউ
লমলেন খোংজোম লমদমদা,
তাউজিং হৈরাং অথোইবা
লৈরাং লৈনম নুংশিবা
হৈকৎ লৈকৎ তম্লুসি লাউ
অথৌবশিংদুগী অরোইবা য়াতাফমদুদা।
    এপ্রিল ২৩, কুমজা ১৮৯১
    খোংজোম খেবচীংগী নাপোমদা
    মলেশ তেঙ্গোলগী মায়োক য়া
    শোক্লখিবা কল্ল লানফমদুদা
    চিংন-পরৈ, অকি তুজুং লৈত
    নোক্ল-নোক্লা থৱায় কৎখিবনি
    নাউল পাউনা, চীংলেনসনা, হৈরাং খোংজা
    অথৌবশিংদুগী হকচাংদগী শিন্থরকপা
    শেংলবা অঙাংবা ঈখেংতনা
    ঈমায় চোনখিদো খোংজোম তুরেল।
লাম্মৈনা লাঙ্গোই চনশিল্লক্লা শজিনা
মিপাইজদুনা কোইচেন চেঞ্জবগুম
তনিক্লিবসি উদবরা মণিপুর ইমানা,
ঙসিদি নপাম খান্বী মৈহৌরক্লবদা
করিগী তূমদুনা লৈথোক্লি নিংঙাইদনা?
মিৎকপ থোক্লো, থিল্লে মতমসে
মণিপুর কৌবী পলেম ইমাগী
তৈথোক্লসি মিৎলুগী তরংগী লাইজ
তিংলসি শয়েং পাম্বোম ইচঙ থৌনা
য়েক্লবনা লাকচ খুদুম চলহনবা য়াবরা?

## পুন্সি

**—ইরোম মোবি**

পোক্লবদি শিগনি নোংমদি
অৱাবা নুংঙাইবনা শাবনি
ৱানা শিবা নুংঙাইনা শিবনা অমনি।
মসি লাইনা-মীনা হোংদোকপা ঙল্লোই।
লাইবু পুকচেল শেংনা নীংলবদি
মহয় ফংগনি।

## হিংবসে ৱারে ঐ

**—নাওরেম মঙ্গি**

হিংবসে ৱারে ঐ
ইতোমতা শিবসু ঙমদরে
খাগা ৱাংগা ওন্নরে
তাইওন্নবা ঙাক্তা থোক্লরে।
    শুকওই ওইরোই খল্লন্বা
    ইরায় লায়না ওইথোকখি
    পৃথিবী খোঙচৎ অসিসু
    মশাগী লম্বী কাউখরে।
য়েন্নিংথাদা লৈশাৎ তম্বদু
নাকেন্থাদা ওইনা শাৎলরে
নোংদোন লৈচিন মপৈসে
হিংচাবি শক্লোন লৌরক্লে।


## ঈশৈ ওইহৌরে পুন্সিসে

**—খাইদেম বোরসিংহ**

কৈদনো মপাং শেৎনরবা
নাইতোম তারবগী পোথাফম
অমুক চৎলি ঙাওচৎননা
উদ্রে কৈদসু নহাকপুদি।
চৎফম খঙদ্রবা ইতৌসিনা
লেপ্লরি অমুক মফমসিদা
লম্বী অহাঙবদা ৱাহোংগুম
মিৎয়েংফম ওইবা নত্তনা
তোংজবদি লৈররোই।
চিংনুং ইরাওখোলদি তারি
ঈশিং চাইবীসু উরি
লাক্ত্রে নঙদি তাল্লবদসু
তাম্না চৎলিবা শম্লুবিগুম
ঐবু করি ওইরসিগে।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# থোং নম্বোনবী



ওজা অহৈবম বীরেননা (ময়াম্না বীরেন লম্বা হায়রগা খঙনবীখিবা ওজা) আর্ট অন্দ কলচরগী ডাইরেক্টর ওইরিঙৈদা হিস্টোরিকেল মোনুমেন্ট এক্টকী মখাদা থোং নম্বোনবী অসি লীদুনা তেক্তা কায়দনা থমগদবনি হায়বগী ৱা খন্ন-নৈনখিবা অমদি থোং অসি শেমজিনবীদুনা ঙাক শেন্নবা হৌখি। মতম অদুগী লৈঙাক্লা ৱারেপ লৌখিবদু ঙসি নৌহৌননা নীংশিংলকই। মীওইবা কাঙলুপ অমগী নাৎ অমদি পূন্সি মহীংগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং চহী চাম্মাবু শুরবদি- লম্বী, থোং,লাইশঙ, যূম, অরীবা পোৎলমশিং হিস্টোরিকেল মোনুমেন্ট এক্টকী মখাদা ঙাক শেন্দুনা থমগদবনি হায়বসি হান্নদগী লৈরকই। মণিপুরগী লৈঙাক্লা, মরু ওইনা আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্টনা মতম কুইনদগী অদুমক ঙাক শেন্দুনা,হোৎনরগা লাকখি। মণিপুরগী চীং অমসু তম্পাক্কী মফম খরদা চহী চাম্মগী মথক্তা লৈরবা অরীবা পোৎলম কয়া অমা লৈরি। লৈঙাক্লা প্রোটেক্সন এক্ট অমগী মখাদা থম্বসু লৈ, মখা তানা য়েংশিনবীবা ৱাৎপদগী ফিভম শোক্লা লৈবসু য়াওরি। খরা অমনা অদুমক খঙবীদনা মুৎখিবসু লৈ।

ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন কৈথেন কারকপা মীপূম খুদিংমক্লা থোং নম্বোনবী উবা ফংই। থোং নম্বোনবীগা হেক থংনবদা উরিপোক মাইকৈদগী লাকপদা মহারাণী থোং অমুক থেংনৈ। মহারাণী থোং অসিসু নম খর পোন্তক তৌই। মহারাণী থোং অপীকপা থোংনি। থোং অনী অসি খন্ত্রাংনা লৈরকই। উরিপোক অমদি সগোলবন্দ মাইকৈ অনীদগী কৈথেন কারকপদা লাকফম্নি। হন্দক ইম্ফালগী ময়োন মক্তদা উনরিবা থোং নম্বোনবী অসিগী ফিভম অসি ঐখোয়না উরে। মহারাণী থোংদি উখিদ্রে। উরিপোক মাইকৈদগী খ্বাইরম্বন কৈথেন হেক চংবগী মচিন্দা মহারাণী থোং লৈরম্মী। নগা তুরেলগী মথক্তা শাবা থোংনি হৌজিক ফ্লাই ওভর ব্রিজ লৈকং থোংগী মখাদা চৎনরিবসি মহারাণী থোংগী মথক্তনি। ময়াম্না মহারাণী থোং কাওনখ্রে। থোং নম্বোনবী অসি মথক্তা মী লানবা য়াখিদবা কুইরে ময়াইদা নীংখায়খ্রে। মী লান্থোক লানশিন চৎপসু থিংখিবা কুইরে। থোং অসি শেমজন্নবদি কন্না হোৎনবীরি। খ্বাইরম্বন কৈথেন কাবদা সগোলবন্দ মাইকৈদগী লাকপা তারবদি থোং নম্বোনবীদা শোয়দনা লান্নে। থোং নম্বোনবী হেক লান্থোকপগা মঙ্গল চনা য়োনবা পরেং লৈরম্মী। নাকন্দা খুরুম খুগ্রাং য়োনফম লৈরম্মী। অঙাংগী ইন্নবা উনা শাবা গড়ি মচা, খুরুম খুগ্রাং থোংখোংদা য়োল্লম্মী। কৈথেলগী মঙ্গল চনা য়োনবী ইমাশিং,অবোকশিং নীংশিংলকই। কৈথেল লাইরেম্বীসু মঙ্গল চনা য়োনফমদা লৈরম্বনি। নুংশিখ্রবা শক্তম্নি ঙসি অমত্তা উখিদ্রে। শামু মখোং হায়দুনা থোং অনী অসিগী উন্নফম মমাংদা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা শামু ফাবগী অশাবা মীতম অসি লৈরকই। শামু মখোং পোৎ লৈবা লাকপা, হনখিবশিংগী উন্নফম্নি ঙাইনফমনি। কৈথেল কারকপশিংনা মাগী মাগী চৎনরুরগা মপাংশিংদা শামু মখোংদা উন্নসি হায়নরম্মী। খ্বাইরম্বন কৈথেন কারকপশিংনা শামু মখোং খঙনৈ, মঙ্গল চনা, য়োনফম খঙনৈ। কৈথেল কুমলমদাইদা মঙ্গল চনা মচা মশুশিংগী লৈরগা য়ূম য়ূমদা হন্নখিগদবনি। পূম্নমক্লা কৈথেলগী লম্মীৎ তুম্মীৎ খঙঙি। ঙসিদি কৈথেলগী লম্মীৎ তুম্মীৎ অমত্তা খঙদ্রে। কদায়দা করি পোৎ য়োল্লি হায়বা ঐখোয় খঙদবনা অয়াম্বা ওইরে।

থোং নম্বোনবী অসি চন্দ্রকীর্ত্তিনা পানখিবা মতম খৃঃকুমশীং ১৮৫৪ দা লোংজমচা খরম উরু পুরেলনা শাবা হৌখি হায়না লাইরিক্তা পল্লি। ঙসি চহী ১৬৯ শুরে। থোং অসিগী মখাদা নম্বুল তুরেলগী ঈশিং চেনখিনবা অচৌবা অহোবা অনী লৈ। থোংখাগী অহোবা অসিদা হি লান্থোক-লানশিন তৌবা উখি। থোং অসি মতম অমা তুরেলগী ঈশিং ইমায়দগী ৱাংলম্মী। থোং নম্বোনবী অসিগী অৱাংথংবা মমাইদা তুরেল ঈশিংনা চাউরক্লগা ঈশিং কয়াম ৱাংনা চেল্লে হায়বা খঙনবা ফুটশিং, ঈশিংগী ইমায়গী চাং খঙনবা দাক অমা থোং অসিদা য়েক্লগা থল্লম্মী। খ্বাইরমবন্দ কৈথেল ঈশিং চাওবদা য়াম্না থুমগল্লম্মী। ঈশিং চাওবদা খ্বাইরম্বন কৈথেনসু মফম অমা ওইরম্মী। ঈশিং চাউবা য়েংবা কৈথেল মনুংদা চৎনরম্মী। ইম্ফাল কৈথেল মনুংদা লৈবা থোং অচৌবা হায়রগদি মহারাণী অমদি নম্বোনবী থোং অনী অসিতনি। নাগামপাল অসি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা তুরেল চাওনা চেল্লম্বা উখি, নাগা তুরেলগা নম্বুল তুরেলগা শম্নখিবসি উরিপোক মহারাণী থোং মখাদা নাগা তুরেলনা ফাওদোকখ্রগা উন্নবনি। নাগা তুরেলগী মপান্দা লম্পাক শাংনা লৈরম্মী। তুরেল মপান্দা গান্ধী স্কুল অমদি লাইব্রেরি,ক্লব লৈরম্বা উহৌখি। পূম্নমক ঙসিদি ৱারীদা তারে। মশক পুমওন ওল্লে। নাগা তুরেল মখুম খুমজিনখ্রে মথক্তা মী চৎনরি। মনুংদা করম্বা ফিভম লৈরমগদগে খনবদা কিজবা ফাওই।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা উহৌবা,লৈরম্বা কয়া ঙসি উখিদবা য়াওরি। শিদোকখিবা, নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্বীদবদগী মাঙখিবা কয়া লৈরমগনি। মসিগী মমল খঙদবা অমদি মাঙজবসি ঐখোয়তনি। ঐখোয় অরীবা পোৎকী মমল খঙনদবগুম তৌই। ঐখোয়দা লিভিং মিউজিয়ম লৈত্রি। লৈবা য়াবদি য়াম্না লৈখ্রে। ইম্ফাল মনুংদা চেল্লিবা নম্বুল তুরেল পুৱারীগা শাগোন্নবা তুরেলনি। তুরেল অসিগী অরীবা ৱারী লৈরি। কনাসু নীংশিংবীদে। ইম্ফাল মনুংদা মী খ্বাইদগী চিনবা, চনৈনবা মফমসি উরিপোক্তগী কৈথেল মনুং চঙনবা হোৎনবগা ৱাহেং লৈকাইদগী নাগামপাললোমদা চৎনরিবা ক্রোশিং, ফ্লাই ওভর ব্রিজগী মখাগী অসিদা চিল্লিবা ময়াম অসিনি। নাগা মপানগী লম্বীদগী হৌরগা খ্বাইরমবন কৈথেনগী শামু মখোং ফাওখিবা ৱাহেং লৈকাই মশাং অসিদা চিল্লিবসি ওন্থোকপা মওংনি। চিনবগী মরমসি মাইকৈ অনীদা উবা ফংই। অমনা মী কূংনা তাবা লৈকাইগা কৈথেনগা নকপসি মরম অমনি। অনীশুবা মরমনা নোংমগী চংদবা য়াদবা, চানবা চেং হৱাইদগী হৌরগা পোৎলম অয়াম্বা য়োনফমসু নাগা মপানদা লৈরিবা পোৎয়োনফমশিংদা ওই। মাইকৈ কয়াদগী লাকপা মীওইশিংগী চৎফম, গাড়ি থম্ফম পার্কিং খূদিংমক মাইকৈ অশোমদা ওইবনা হেন্না চিনবগী মরম্নি। হৌজিক লৈঙাক্কী করম্বা থৌরাং লৈবগে উবা ঙমদে। মফম অসি ফাওরগা চেল্লকলিবা নাগা তুরেল হৌজিক মখুম খুল্লগা লৈবসি তৌহৈরিব্রা মসিসু খন্নবা চুম্মী। তুরেল অসি নুমিৎ কাপ্পা লাইরিক্তা য়াওবগী মতুংইন্না মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবনা পানবা মতমদা সেলোই লংমাইশিংনা অৱাং নকা পন মরুদা লান চৎলুবগী ময়ূম মাইকৈ হল্লকপদা লম্বীদা উরা কোন্থৌবগী কাঙবুনা থৎলগা হাৎখি। ঈশিংদা কুমনা লোৎলবসু ঙা ফাবগুম ফাখি। সেলোই লংমাইশিংনা হিংনবা নাপি মরক্তা লোৎখি। অশোক অপন তৌরবা সেল্লোইশিংনা নাপি মরক্তা লোৎপদা মশাদা শিন্থরকপা খোইমা নাপি শিথলক্তা মনাদা ঈ তৈনা কারকই হায়বদগী নাকাও তৌনা কৌনখি হায়বসি ময়েক শেংনা পল্লি। নাকা হায়রম্বদগী নাগা হায়না কৌনখি। সাহেবশিংনা পানবা মতমদা চীংমী কাঙলুপশিংবু নাগা হায়না থোনবীরম্মী। নকা মপাল হায়রম্বদগী খ্বাই নাগা মপাল হায়রগা কোন্নথংদা খ্বাইনা খঙনরকখি। নকা হায়রিবা অসিগা নাগা হায়রিবা অসিগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদে। ঈনা লাইজা ঈশিংদা চেন্থখি হায়বদগী নুমিৎ অদুদগী ‘থৎমা ঈথৈ লৌও’ থোন্‌খি। অরীবা লাইরিক্তা য়াওরগা লৈজরি। ৱাফম অসিনা অরীবা লাইরিক লাইসু নৈনবা স্কোলারশিংগী ওইখ্রসনু। হৌজিক ঐখোয়না খঙমিন্নবা য়াবদি নক্লা অমদি ইমাংদা ঙাইহাক লৈতনা উরিবা মতম অমগী লূনা লৌনরম্বা অরীবা মফম, পোৎলমশিং মল্লবনি হায়না হেক্তা লৌথোকপা,শিদোকপা অসিনা মাঙগী ৱারীগা তুংদা লৈহৌরিবা মীগা শমনরক্তনবগী মরম ওইরকই। হৌজিক লৈরিবা ষনশেনথোং অসি “খাবা ষনশেংথোং হায়রগা খঙনৈ।” ঐখোয়গী ঙাল্লিঙৈদা লান্নরম্বা থোং অসি উনা শাবনি। মথক্তা ঈনা কূপ্নরম্মী। শামুনা থোং লাল্লগা চৎনদে। ঙসি ফাওবা ৱারীনরি।

হন্দক থোং নম্বোনবী অমুক হন্না ঙাক শেন্দুনা থম্নবগী ৱাফম খরা পাও ওইনা তাখিবদা থম্মোয়দা নুংশিবা ফাওরকখি। অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয়না উখিবা মহারাণী অমদি থোং নমবোনবী অনী নীংশিংলকই। ঙসি ওল্লক্লিবা, হোংলক্লিবা কয়া অসিনা লমদমসিগী মতম অমগী পোৎশকশিং কাওনরক্লি। ইম্ফাল খক্তদা নত্তে, ইম্ফালদগী লাপথোকখিবদা লৈরিবা ককচিং, মোইরাং, সেকমাই,অন্দ্রো অমদি চীংগী মফমশিংদা লৈবা মতম অমগী অরীবা পোৎশিংসু অদু মঙাই। ৱাং চাউখ্রবা চীং ফাওবা মাঙহনখ্রি। ইম্ফাল নেস্নেল হাইৱে ৩৭ মোরে ফাওবা চৎপদা মতম অমা লৈরমখিবা চীং তেমখায়রল্লি। ৱাইথৌ চীঙ্গোল মাঙখ্রে,লাঙ্গোল চীংদা ওইরল্লিবা ফিভম পূক্লিং নুংশি। শীংজমৈগী চীংঙা চীং তেমখ্রিবনি। পূমম্নক অসি মতমনা পুরকপা ওইরবসু কনবা য়াবা ঙাক শেনবা য়াবদি থমফম থোকই।

**- মাখোনমনি মোংসাবা**

**ৱারী ককনাউ**

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -১৪

মেমীগা থোইবীগা করি ৱারী শানবনো খঙদে। ফনা কুইনা য়ূমদা হল্লক্তে। নুমিৎ তাশিনখ্রে। মমশিনখ্রে, মেমিদি হল্লকত্রি। পুং ৬তগী ৭, ৭তগী ৮ তাদৌরবা ফাওবদা মেমী হল্লক্ত্রে। ঐদি শোমদা কোকসি কন্না শাগৎলক্লি। কোক মনুংসিদা করিনোমা ওমদুনা লৈবদৌনা ফোং ফোং শাগৎলক্লি। অমুক মুক ফুক ফুক হৌগৎলি, তৌফম খঙদদুনা টি ভি অমুক য়েংই, মপান্দা অমুক থোকই তৌরি। তাঞ্জাসিদা চাকসিনা মরোল অমা কন্না লামখৎলক্লি। লান মরকসিদা পকৌরা চানীংলকপা হায়দুমক ঐঙোন্দা থোক্লে। সুম খল্লগা লৈবনা কান্নররোই খন্দনা ঐ চাকখুমদা চঙই। চাক্তু কামখৎলে। এঞ্জাং করি থোংদুইনো খঙদে। হৱাই মুসোরি খরা লৈরম্মী। মদুসু কুকর মচাদুদা ফেৎ ফেৎ অনী অহুল্লক কাম্মে। অদুফাও মেমী হল্লক্ত্রি। মাদুবু শাওদনগা মপামলোমদা চৎখ্রজাৎলা কৈদৌরজাৎনো মওন মওন খল্লি। খন্না খন্না তিলহৌ শোইবদা খুদোম্বীসিসু থাঙ হৈজ্রাংদুনা ককখ্রে, ‘অয়ো ইমা’ হায়দুনা খূৎতু শৎ শৎলি। য়েংলুবদা ঈ খরা থোক্লম্মে। খুদোম্বীদু ঐনা চিন্দা চুপশিল্লি। অদুবু থবক্তি লেপ্পা য়াদবনিনা, থাও শোক তৌনবা থাঙ্গৎলে, থাও হৈরে। থাও মুল্লে, মরোইদু জৌ লাওনা হেক থাদবগা মেমীদু ফৎ লাওনা হাইজিল্লকই। ঐনা তৌরিদু মুন্না য়েংই। মা উবদা ঐ হুমাংদুম কাংলে। করি হায়রক্কদৌরিনো খনবদা। ঐ ৱাগকা অমত্তা ঙাঙদে, ঙাঙবসু শংদে। খুদোম্বীগা নারে, থাও মরোই মুনশিল্লকপগী মৈখু ৱা কারকপদুদা কুকরদগী হৱাইদু জোর লাওনা হৈজিল্লে। ঙাইহাক শৌহল্লি। মেমীদি থোকখ্রমাল্লে, ঐনা ওন্থোরকপদা লৈরমদ্রে। ঐ মানা য়েং লৈরদি তৌফমগা খঙদে, পংশোইদা শোইজিল্লকই। এঞ্জাংদু ব্রোং ব্রোং শৌগৎলক্লে, থুম থাকপা য়ারে। থুম থাক্কে হায়দুনা থুম কৌতাদু মখুম হেক হাংদোকপগা, মেমীনা চঙশিল্লক্লগা হংলৈ,

“করি এঞ্জাংনো?”

“হৱাই মুসোরি হেক্তা থোংজিল্লে, নঙ ঙাইবনি, ঙাইবা ঙমদদনা ঐনা হেক্তা থোংজিল্লবনি” হায়না হায়না থুমদু লৌথোক্লগা এঞ্জাংদা থাকচিল্লে। থাকচিনবা হেক লোইবগা খঙলক্লে, ঐনা লৌখৎলুরিবা থুমদু খুজোক অমা থাক্কে তৌখিবনি। মদু পুল্লপ থাকচিনখ্রবরা, নৎত্রগা খরা খাইদোকহৌব্রা ঐ কোক ঙাওশিল্লকই।

‘ঐদি চাক চারোই’ মেমীগী খোন্দাদু কৈনোম য়াওরি, ৱাগী কাতিনা চপ্পদৌনা চপ্পী। থোৎতে, মেঙদে, জিজ্ঘদা নূঙ মচা মচানা থারদকপদৌনা তৌই। খুমদা য়াদদনা খুম্মুই,

“এ করিগীনো, নশা নুংঙাইতবরা? নুংঙাইত্রগা ফৎ হল্লকপা য়াদ্রা, পুং ৯ হেল্লকান দা। চরা হেনবদি ফত্তে, অশাবসি চখোম অমা চাশিনখো, অদুগা ফজনা পোথারো”

“মীনা চানীংদে হায়রমক্তদা”

“অদুবু কৈদৌরগে হায়বনিদা?”

“ঐ থোইবীহোয়দা চারক্লে, মানা য়াদদনা চারক্লবনি”

“নঙদি মীগী ময়ূমদা চাকসি তোইনা তোইনা চাখৎলক্লিসিনা কমাই তৌরিনো?

“তানীংদে ৱা ঙাঙনু”

“চুম্বু চুমদ্রো?”

“হো মানা য়াদবা, ঙাগা লৈরুরে, অদুগা থোংগৎখ্রে, অদুদবু কমাইনা চারোই হায়দুইনো?”

“হাওবরা?”

“খঙদে, নঙদি খঙলমগনি”

“কৈনোনে চাবনা নঙনা চারগা ঐনা কমাইনা খঙদুইনো?”

“নঙসি য়াম তোইনা চাই হায়দুদি”

“কাইদা চাদেহে”

“নচিন থীনু”

“চাদেমী”

“তৌনুদা, ওইদবা ঙাঙনুদা”

“চাদে হায়রমক্তদা”

“থোইবীনদি নঙনা ঙাগকা লৈরক্তনা অমুক অনীরক চাখ্রে হায়রকইদা”

“এহ! ঐবু... ঐবু চাখিবরনে” ঐনা ওৎলৈ পালৈ তৌদুনা ৱাদু চিংথোক চিংথোক্তুনা খুন্মী।

“হো ইবুংঙো, নশক মুন্না খঙই, ওইদবা ঙাঙনুকো? ঐনা ফমনবগী তৌবনি নৎত্রদি নহান্না কুম্মৈ তারদবনি ইমুংসে” ঙাঙনা ঙাঙনা মেমীনা ঐগী চাক খরা থিরে। ঐসু চাক্তু লাম্মনবনিনা চানবা তৌরে। এঞ্জাং হাপ্পকই। অহানবা তোৎপা চখোমদু চিংখৎতনা চারুবু, ঐ খংপ্রেক খংই”

“উম!!!”

“কৈদৌরে?”

“থুমসিদি?”

“নঙনা থাকচবা নৎত্রো?”

“সিদি ফজনা য়াকইহে”

“করি ৱাখলদা থুম অদুক য়াম থাকচিল্লুরিবা?”

“খঙদেদা তৌরিসে, ইশাসে ইঙাও ঙাওরে”

“কৈদৌবৈ ঙাওরিনো”

“নঙনা ইশৌ লাংবসিদা ঐসে তৌফমগা অমত্তা খঙদ্রেদা”

“নঙগী নতৌদুদা লাংলিবা ইশৌনি”

“মরম য়াম চাদনা লাংইবা ইশৌনি। ঐসে সুম চিংনবা অমা য়াওরকইকো”

“করি চিংনরিবা?”

“থোইবীগা নঙগা করি মরী লৈনরবনো হায়না?”

“হরে... নোকতুম নোকচনীংই হাহাহাহা”

“খঙদ্রেদা, থোইবীসি নঙনা কোইরবরা খঙদে”

“এহ! কয়াদা ওন্ন-তৈননা হায়রিনোনে সে। মানা মবুকসি লানখৈ লাল্লগা, ঐঙোন দগা তাইনরিনে। হো ইবুংঙো, ঐখোয়সে নুপী মশেলনি”

“নুপী মশেলদুনে ঐনা চিংনরিসে। লেসবিয়ন কাঙবু অমা লৈরিসিদি, নুপী মশেন কোয়নবা। মদুমাইনা নোইসু তৌরবরা সিনি”

“তানীংদেহে কাইদৈ ৱানো। নঙনা কোইগে তৌরম্মী নৎত্রো, ঐনা হৈমন শিংমনবদগী লম্বী থৎহৌরি নৎত্রো?”

“খঙদ্রেদা তৌরিসে, নঙনা কোইরিরা ঐনা কোইরিরা?”

“ৱাথীদু য়াম ঙাঙনুকো, নঙ ৱারীশাদৌ য়াম লৈরিজাৎনি” হায়রম্মগা মেমীদু ঐগী ৱাতাদুদা নোকনীংলমাল্লে, হৌগৎতুনা চৎখ্রে। ঐদি চাক্তু মখা তানা চাদ্রে, এঞ্জাং থুম মতাদুদা মখা তাদ্রে। য়েরুম অমত্তা হৌরকউ হায়গদৌসু ৱা পোপথোরক্লনি খনবদগী হায়দ্রে। চগং ওইনা চখোম অনী অহুম তাশিল্লগা শাইদনা কুৎ লাওনা য়োৎশিল্লে, সি য়ৌরদি শিবফাওদি শিররোইদনা হায়না খল্লগা ঈশিং খরা থকচিল্লে অদুদগীদি ঐসু অদুম ফুক লাওনা হৌগৎলে।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**